# যুক্রেন, চাইনাদগী হল্লকপা ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েটশিংদা এনএমসিনা রিলেক্সেসন পীখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৯ (এজেন্সী):

কোভিদ অমসুং রসিয়ন-যুক্রেন লাননা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াদা হল্লকখিবা অমসুং কুমজা ২০২২ গী জুন ৩০ নত্ত্রগা মসিগী মমাঙদা মখোয়গী ইন্সটিট্যুটশিংদগী দিগ্রিশিং ফঙলকখ্রবা ফাইনেল ইয়রগী মহৈরোয়শিং ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েট একজাম থাবা য়াহল্লগনি হায়না নেসনেল মেদিকেল কম্মিসন্না ইরাই নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

এনএমসিনা পব্লিক নোটিস অমদা হায়, ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েট (এফএমজি) একজামদা ক্কালিফাই তৌরবা মতুংদা মহৈরোয়শিং অদু হৌজিক চৎনরিবা চহী অমগী মহুত্তা চহী অনীগী ওইবা কম্পলসরি রোটেটিং মেদিকেল ইন্টনর্শিপ (সিআরএমৱাই) চথবা মথৌ তাগনি।

ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েটশিং চহী অনীগী সিআরএমআই মপুং ফারবা মতুংদা রেজিষ্ট্রেসনগীদমক ইলিজিবল ওইহনগনি অমদি ফোরেন মেদিকেল মহৈরোয়শিংদা রিলেক্সেসন পীরিবসি মতম অমখক্কী ওইবা খুদোংচাবনি অমসুং মদু তুংদসু পীরকপা য়াবা মওংগী খুদোংচাবা নত্তে হায়না নোটিস অদুদা মখা তানা পনখি।

সুপ্রিম কোর্টনা এপ্রিল ২৯ দা পাস তৌখিবা ওর্দরগী মতুং ইন্না কোভিদ ১৯ অমসুং রসিয়া-যুক্রেন ৱার অসিনচিংবনা মরম ওইদুনা ফোরেন মেদিকেল ইন্সটিট্যুটশিং থাদোক্তুনা ইন্দিয়াদা হল্লকপা মথৌ তারিবা অন্দর গ্রেজুয়েট মেদিসিন কোর্সকী অরোইবা চহী তল্লিবা অমদি মতুং তাবদা মখোয়গী ষ্টদি মপুং ফাদুনা মরী লৈনবা ইন্সটিট্যুটশিংনা কুমজা ২০২২ গী জুন ৩০ নত্ত্রগা মসিগী মমাঙদা সার্টিফিকেটসু পীখ্রবা ইন্দিয়াগী মহৈরোয়শিং এফএমজি একজাম থাবা য়াহনগনি হায়নসু নোটিস অদুনা ফোঙদোকখি।

এনএমসিগী পব্লিক নোটিস অসিনা হায়রি, মদুদি এফএমজি একজামিনেসনদা ক্কালিফাই ওইরবা মতুংদা অসিগুম্বা ফোরেন মেদিকেল গ্রেজুয়েটশিং অসি মখোয়না ফোরেন ইন্সটিট্যুটতা অন্দর গ্রেজুয়েট মেদিসিন কোর্স তল্লিঙৈ মনুংদা ফিজিকেল ওইনা শরুক য়াবা ঙমখিদবা অদুগীদমক্তা চহী অনীগী ওইনা সিআরএমআই চথবা মথৌ তাই। মসিদা নত্তনা মহৈরোয়শিং অসি ইনিদয়ন কন্দিসনশিংগী মখাদা মেদিসিন প্রেক্তিস তৌবদা হৈনহন্নবগীদমক্তা চহী অনীগী কোর্স অসি মথৌ তারিবনি।

রসিয়া-যুক্রেনগী লান অমসুং পেন্দামিক্কী চৈথেং নঙলবা এমবিবিএসকী মহৈরোয়শিংবু অমুক্তং পীবা খুদোংচাবা ওইনা লৈবাক অসিগী মেদিকেল কলেজশিংদা মখোয়গী ক্লিনিকেল ট্রেনিং মপুং ফানা লোইশিনবা য়াননবা হৌখিবা এপ্রিল ২৯ দা সুপ্রিম কোর্টনা রেগুল্যেটরি বোদি অসিদা থা অনীগী মনুংদা স্কিম অমা শেম্লনবা দিরেক্সন পীখিবনি।

# আর্পিতা মুখর্জিগী মাঙখ্রবা গাড়ী মরি ইদিনা থিগৎপা হৌখ্রে

কোলকত্তা, জুলাই ২৯ (এজেন্সী):

লুপা ক্রোর কয়াগী ওইবা ৱেষ্ট বেঙ্গল স্কুল সার্ভিস কম্মিসন (দব্লিয়ু বি এস এস সি) রিক্রুটমেন্ট ইরিগুলারিটিস স্কাম থিজিল্লিবা ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তরেট (ইদি) গী স্লুটশিংনা হৌজিক সাউথ কোলকত্তাগী টুলিগঞ্জতা লৈবা আর্পিতা মুখর্জিগী দাইমন্দ সিটি রেসিদেন্টসতগী মাঙখিবা গাড়ী মরি থিবগী থবক চথুরি।

সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিগী স্লুটশিংনা অহানবা ওইনা জুলাই ২২ দা টোলিগঞ্জকী রেজিদেন্টস অদুদগী য়াল্লবা শেনফম অমদি মমল য়াম্বা পোৎশক কয়া রিকোভর তৌখিবনি।

ইদিগী স্লুটশিংগী মতুং ইন্না আর্পিতা মুখর্জিগীদমক্তা দাইমন্দ সিটি কমপ্লেক্সতা পার্কিং স্লোট মঙা রিজার্ব তৌখি। রেকোর্দশিংগী মতুং ইন্না মার্সিদিস বেঞ্জ গাড়ী ২, হোন্দা সিটি ১, হোন্দ সিআর-ভি ১ অমদি ওদি এ ৪ য়াওনা মমল তাংলবা গাড়ী মঙা জুলাই ২২ গী নুমিদাং ফাওবা পার্ক তৌখি।

নুমিৎ অসিদা সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিগী স্লুটশিংনা হাউজিং কমপ্লেক্স অসিদা লৈরিবা মহাক্কী ফ্লেটদা রেইদ চথুবা হৌখিবনি। অদুম ওইনমক জুলাই ২৩ গী অয়ুক অঙনবদা থীবা অমদি ফাবগী ওপরেসন লোইশিনবা মতমদা গাড়ী মঙাদুগী মনুংদা মরি লৈরম্বা থেংনখিদে। ঐখোয়না শুপ্ন গী অঙৌবা মচুগী মার্সিদিস বেঞ্জ গাড়ী অমত্তমক ফাজিনবা ঙমখি। হৌজিক মখা তানা গাড়ী মরি থিবগী থবক চথুরি অমসুং গাড়ী থিবগী থবক অদুদা গাড়ীশিং অদু মাঙখিবা মতমগী মনুংদা হাউজিং কমপ্লেক্স অদুগী সিসিটিভি ফুটেজ চেক তৌরি হায়না সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিগী ওফিসল অমনা কনফার্ম তৌখি।

# নমথাক তৌরগা শেল লৌথোক্লম্বা কো ওপরেটিব বেঙ্ককী এমপ্লোয়িশিং ফারে

চান্দিগর, জুলাই ২৯ (এজেন্সী):

নমথাক তৌরগা রোপারদা লৈবা সেন্ট্রেল কো ওপরেটিব বেঙ্ক ব্রাঞ্চতগী লুপা ১২৪,৪৬,৫৪৭ লৌথোক্লম্বা বেঙ্ক অসিগী এসিষ্টেন্ট মেনেজর বিক্রমজিৎ সিংহ অমসুং সেনিয়র মেনেজর অশোক সিংহ মান ইরাই নুমিত্তা পঞ্জাব ভিজিলেন্স ব্যুরোনা ফাগৎখ্রে।

ভিজিলেন্স ব্যুরো অসিগী স্পোক্স পার্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা কমপ্লেন্ট অমদা য়ুস্ফম ওইরগা চথুখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা একুযজ বিক্রমজিৎ সিংহ কুমজা ২০১১ দগী ২০১৬ ফাওবা বেঙ্ক অসিদা পোষ্টিং তারিঙৈদা অতৈ এমপ্লোয়িশিং অমসুং বেঙ্ক মেনেজরশিংগী একাউন্ট আইদিশিং, পাসপোর্টশিং অমসুং অতৈ অকুপ্পা কয়া লান্না শীজিন্নদুনা শেনফম অদু লৌথোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# চান্দিগরগী ইস্যু অমিট সহানা পুখৎনবা সিরোমনি অকালি দলনা পঞ্জাবকী সিএমদা তকশিনখ্রে

চান্দিগর, জুলাই ২৯ (এজেন্সী):

চান্দিগরদা তোঙানবা এসেম্বলি অমা লৈহন্নবগীদমক্তা হরিয়ানাদা লম শীন্নবা জুলাই ৩০ দা সিটি অসিদা খোঙচৎ অমা লাক্কদৌরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট সহাদা অইবা প্রোটেষ্ট অমা পীশিন্নবা ইরাই নুমিত্তা সিরোমনি অকালি দল (এসএদি) না পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টর ভগৱান মানদা তকশিনখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা এসএদিগী স্পোক্স মেন দালজিৎ সিংহ চিমানা হায়খি, মদুদি মসি পঞ্জাবকী সিএমনা সহাদা অইবা ৱারোল অমা পীশিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌনবগী খুদোংচাবা অমনি। অইবা ৱারোল অদুদা তোঙানবা ষ্টেট এসেম্বলি অমা শাননবা হরিয়ানাদা লম পীনবা মহাক্কা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু হন্দোক্লবা দিমান্দ তৌগদবনি।

এসএদিগী স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি মান্নবা মওংদা চীফ মিনিষ্টর মাননসু এএপিগী কন্ভেনর অমসুং দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন কেজ্রিৱালগী ইন্সট্রক্সনদা মহাক্কা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অদুসু হন্দোক্কদবনি। এএপিগী লুচিংবা অমসুং দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অসিগী ইন্সট্রক্সনদা মাননা পঞ্জাবকী লম পীনবা দিমান্দ তৌখিবনি।

দলজিৎনা হায়, চান্দিগর অসি পঞ্জাবকীনি অমসুং কনামত্তনা মহাক্কী ওইবা লমদা প্লোট অমা দিমান্দ তৌবা য়ারোই। এসএদিগী লুচিংবা অসিনা মখা তারদুনা অকালি দলগী ওইনদি এসএদিগী প্রসিদেন্ট সুখবির সিংহ বাদলনা লুচিংনা দেলিগেসন অমনা পঞ্জাবকী গভর্ণরদা সবমিট তৌখিবা মেমোরেন্দমগী মওংদা অইবা ৱারোলনা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

পার্টি অসিনা পান্দম অসি ফঙনবা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা হোৎনদুনা লাক্লি অমসুং পার্টি অসিনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টবু লম অসিবু হরিয়ানাদা পীথোকপা য়াহল্লোই।তৌইগুম্বসুং পঞ্জাবকী এএপি গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবদি তৌরোইদবনি।

চিমানা মখা তানা হায়খি, মদুদি হৌজিক্তি এসএদিনা তৌফম থোকপা তৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক্তি পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টরনসু মান্নবা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌগদবনি। চান্দিগরগা মরী লৈনবা পঞ্জাবিশিংগী ফিরেপ য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরদা খঙহনগদবনি হায়খি।

চান্দিগরগী ইস্যুদা নত্তনা পঞ্জাবকী চীফ মিনিষ্টরনা পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিবু সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওন্থোকপগী ৱাফমসু হৌদোকপগা লোয়ননা মহাক্কা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সহাদা ষ্টেট অসিগী মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বশিংগী মায়োক্তা থবক তৌবা য়ারোই হায়বসি ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না মহাক্কা ফোঙদোকখি।



সুখবির সিংহ বাদল



ভগৱান মান

# স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎপা অঙাংশিং মী তিনবা মফমশিংদা চঙহন্দনবগী সজেসন পীখ্রে

লক্ষ্ণৌ, জুলাই ২৯ (এজেন্সী):

স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎপা মহৈরোয়শিং স্কুলগী মতম মনুংদা মোলশিং, রেষ্টুরেন্টশিং, হোটেলশিং, পার্কশিং অমদি মী তিনবা মফমশিংদা চঙবদা অথিংবা থম্লবা উত্তর প্রদেশকী চাইল্ড রাইটস বোদিনা সজেসন পীখ্রে।

স্কুলগী মতম মনুংদা মমা মপাশিং য়াওদনা মী তিনবা মফমশিংদা চঙলুবা মতমদা অঙাংশিংবু য়েংবদা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং উহন্দনবা অমদি অসিগুম্বা থৌদোক্তগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তা ষ্টেট কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এসসিপিসিআর) গী মেম্বর সুচিতা চাতুরবেদিনা সজেসন অসি পীখিবনি।



উত্তর প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ৭৫ দা ইখিবা লেটর অমদা চতুরবেদিনা হায়, মহৈরোয়শিংনা তোইনা স্কুলদা চৎতে অমদি মখোয়না পার্কশিং, মোলশিং, রেষ্টুরেন্টশিং অসিনচিংবা মী তিনফমশিং ওইবা মফমশিংদা মতম লেল্লি হায়বসি কম্মিসন অসিনা খঙবা ঙল্লে।

মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্ট য়েংদুনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংদা স্কুলগী মতমদা মখোয়গী দিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা মী তিনফমশিং ওইবা মফম পুম্নমক্তা স্কুল য়ুনিফোর্ম শেৎপা মহৈরোয়শিং চঙবদা অথিংবা থম্নবা হায়জরি হায়না লেটর অদুদা পনখি।

চতুরবেদিনা হায়, চহী ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মাইনর পুম্ন মক্কী ইন্টরেষ্ট ঙাক শেনবা হায়বসি খুন্নাইগী অপুনবা থৌদাংনি হায়নসু মহাক্কা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, (IV)
### IMPHAL EAST/WEST MANIPUR

**Ref: Mutation Case No. 70/AS&SO/IV-2022 Date 22/07/2022**

1) Mrs. Sariya Bibi, W/o (L) Haji Salamatullah of Haoreibi Turel Ahanbi
2) Mrs. Ahamadi, D/o (L) –Do– of –Do–
3) Mrs. Ruhina, D/o (L) –Do– of –Do–
4) Mrs. Miskatun Nisha, D/o (L) –Do– of –Do–
5) Sk. Adin, S/o (L) Md. Firaj of –Do– -Petitioners

-Vs-

(Late) Haji Salamatullah, S/o (L) Abdullah of Haoreibi Turel Ahanbi -O.P.Parties

**ꯈꯣꯟꯒꯥꯡ / NOTICE**

Imphal, 28/7/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 15-Haoreibi পাট্টা নং 233 (Angs) অরিবা 1083/2562 অনৌবা, দাগ নং 1852/Part 'A' এরিয়া Whole area of .35 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Haji Salamatullah, S/o (L) Abdullah of Haoreibi মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৭/৮/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer (IV)**
**Imphal East/West, Manipur**

HL-P/3543/30

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, (IV)
### IMPHAL EAST/WEST MANIPUR

**Ref: Mutation Case No. 69/AS&SO/IV-2022 Date 22/07/2022**

1) Mrs. Ahamadi, D/o Haji Salamatullh of Lilong Yangbi Leikai
2) Mrs. Rahina, D/o –Do– of Haoreibi Lilong Leihaokhong
3) Mrs. Miskatun, D/o (L) –Do– of Lilong Haoreibi Mayai Leikai -Petitioners

-Vs-

(Late) Salamatullah, S/o (L) Abdullah of Lilong Yangbi Leikai -O.P.Parties

**ꯈꯣꯟꯒꯥꯡ / NOTICE**

Imphal, 28/7/2022

Under Section 46(3) of MLR and LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 15-Haoreibi পাট্টা নং 238 (Angs) অরিবা 451,1080/5173 অনৌবা, দাগ নং 120 এরিয়া Whole are of .13 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Salamatullah, S/o (L) Abdullah of Lilong Yangbi Leikai মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ৮/৮/২০২২ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer (IV)**
**Imphal East/West, Manipur**

HL-P/3543/30

Resonance®
Educating for better tomorrow

2 Year Foundation Course for Class XI- (NEET & JEE)

ENROLL TODAY

* 4 hours class daily
* Test series from Resonance Kota
* Classes from best faculties from Resonance Kota.

STUDY MATERIALS FROM RESONANCE KOTA RAJASTHAN

Admission through a Scholarship Test
91-100% score - Free Admission
81 - 90% score - 50% Concession
Office Hours - 10:00 am to 7:00 pm.
Nachom Edu Foundation
3rd Floor, L.K. & Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal - 795001
For more details
9402979552 / 8794961535

HL-B/7717/ 3,6,9,12,15,18,21,24,27,30

AFFILIATED TO COUNCIL OF HIGHER SECONDARY SCHOOL, MANIPUR
ACI SCHOOL
A Co-educational Higher Secondary School
Kwakeithel Akham Leikai, Imphal

A school of Advanced Coaching Institute & Under the guidance of Human Resource Centre & Research Institute

ADMISSION OPEN
FOR
XI SCIENCE & XI ARTS

SPECIAL FACULTY MEMBERS
1. Physics – Dr. Devadattamani / Dr. Joyshankar/ Dr. Bidyakanta (IIT)
2. Chemistry - R.K. Bahadur / Manglembi NET (PhD)
3. Maths – Dr. Sanjit / Kiranmala (Gold medalist)
4. Zoology – Dr. Ranjita/ Kh. Seityabati
5. Botany – Dr. Bijen / Dr. Thajamanbi
Supported by special faculty members of ACI

FEATURES
1. For Position holders in the HSLC exam Free ship + Book Grant + Scholarship
2. Students who scores 85% & above Admission free + Half tuition free + scholarship
3. Students scores 80% and below 85% Admission free+Scholarship+Book Grant
4. Students scores 75% and below 80% Half Admission free + Book Grant
5. Students score 70% and below 75% Half Admission
6. Students score 60% and below 70% Direct Admission

World class standard classroom with Smart Class
Contact : 9862992105
www.advancecoachinginstitute.com

Direct admission - 45% and above under conditions
For few seats available

Form available: Office of Advanced Coaching Institute (offline)

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

ADVANCED COACHING INSTITUTE (HURRY! LIMITED SEAT)
THE LARGEST, TRUSTED & PREMIER COACHING INSTITUTE IN IMPHAL, MANIPUR

FOUNDATION COURSE FOR NEET /JEE

2YEARS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XI APPEARING STUDENTS
(SURE TARGET TO FIRST ATTEMPT) FREESHIP FOR POSITION HOLDERS IN HSLC

1YEAR FOUNDATION COURSE FOR XII APPEARING STUDENTS
ONCE U ARE ADMITTED WITH DETERMINATION WE WILL SUPPORT U UNTIL SELLECTION WITHOUT ANY FEE
SPECIAL CONCESSION FOR THOSE STUDENTS WHO R FINALCIAL POOR AND MERITORIOUS

7 MONTHS FOUNDATION COURSE FOR CLASS XII PASSED STUDENTS
WORLD CLASS (A.C. ROOM) SMART CLASS WI. FI CAMPUS

1. SPECIAL SUNDAY TEST SERIES & MONTHLY MOCK TEST
2. STUDY MATERIALS BASED ON NCERT & PREVIOUS YEAR QUESTION AND ANSWER
3. Well Experienced faculties
4. separate boys & girls hostel

MEDICAL AND ENGINEERING CLASS WILL BE STARTED FROM 4th and 18TH August

For more detail pliz visit facebook page/instagram & utube of Advanced Coaching Institute and website to www.advancecoachinginstitute

LIMITED SEAT VAN SERVICE
BATCHES : 5 -9AM 6--9AM 12—3PM 4.30- 7.50pm

For Query : 9862992105 NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug

FREE COACHING FOR CLASS X COMPARTMENTAL
Orgd. By
Human Resource Centre & Research Institute
SURE STEP TO MAKE SUCCESS

BATCH
ENGLISH : 4.30 TO 5.30 A.M.
MATHS : 5.30 TO 7.00 A.M
SCIENCE : 7.00 TO 8.30 A.M.
SOCIAL SC. : 8.30 TO 10 A.M
MIL : 10 TO 11.30 A.M

FREE FOODING AND LODGING FOR S.T /S.C & OBC STUDENTS UNDER CERTAIN CONDITIONS

FIRST COME FIRST SERVE
LIMITED SEATS
FEW SEATS REMAINING

HEAD OFFICE : NAGAMAPAL BRANCH & KWAKEITHEL BRANCH
CONTACT FOR DETAIL : 8787586090

HL-B/7769/ 29/7 to 7/8 Aug